## মিনিষ্টর শ্যামকুমারগী রিট আপিল অনীমক য়ৈথোকখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৬ (ঐচএনএস): লৈঙাক অসিগী মিনিষ্টর থৌনাওজম শ্যামকুমারগী মায়কৈদগী হায় কোর্ট ওফ মণিপুরদা ফাইল তৌরকখিবা রিট আপিল অনীমক ঙসি চীফ জষ্টিস রমালিঙ্গম সুধাকর অমসুং জষ্টিস এম ভি মুরালিদরনগী দিভিজন বেঞ্চতা আপিলশিং অসিগী হিয়রিং পাঙথোক্লবা লিষ্ট তৌখ্রবসু মথংগী নুমীৎ অমদা পাঙথোক্লবা য়ৈথোকখ্রে।

পিটিসনর অসিগী রিট আপিল অনী অসি কোংগ্রেস এম এল এ, এম দি ফজুর রহিম অমসুং মহাক্না লোয়নবা রেস্পোন্দেন্ট অনী অমদি এম এল এ কৈশাম মেঘচন্দ্রগী মথক্তা ফাইল তৌরকখিবনি। পিটিসন অনীমক মমাঙ থাদা কোর্ট অসিদা এদমিট তৌদুনা লৌখৎখিবনি।

পনবা য়াবদি, রিট আপিল অনী অসিগী রেস্পোন্দেন্টশিংগী মনুংদা য়াওরিবা কোংগ্রেস এম এল এ অনী অসিনা পিটিসনরশিং ওইদুনা মিনিষ্টর শ্যামকুমারবু ইন্দিয়ন কনষ্টিট্যুসনগী টেন্থ সেদ্যুলগী মখাদা এম এল এ ওইবদগী দিসক্কালিফাইদ তৌবীয়ু হায়দুনা হায় কোর্ট অসিদা তোঙান তোঙানবা পিটিসন অমমম ফাইল তৌরকখিবনি। পিটিসনশিং অদু কোর্ট অসিগী সিঙ্গল বেঞ্চ অমনা ৱায়েল চথরবা মতুংদা মসিগী জজ মেন্ট অমসুং ওর্দর পীখিবনি।

## মীটিং পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৬ (ঐচএনএস): মণিপুর লৈঙাক্কী সোসল ৱেলফেয়র লোয়শঙগী মখাদা আই সী দি এস প্রোজেক্ট, লিলোংনা শীন্দুনা লিলোং হঙ্গামথাবী কম্যুনিটি হোলদা কম্যুনিটি পোষান মীটিং অমা পাঙথোকখ্রে। ঙসি অয়ুক পুং ১১.৩০ রোম তারকপদগী হৌখিবা কম্যুনিটি পোষান মীটিং অসিদা অঙ্গনৱাদিগী ৱার্করস, হেল্পর, সী দি পি ও অমসুং সুপরভাইজরশিংনা শরুক য়াখি। মীটিং অসিদা মতৌ করম্না অঙাংশিংবু মশা-মউ ফনা থমগদগে হায়বগী মতাং য়াওনা অঙাং মশাগী অরুম্বা খঙদোকপগা লোয়ননা মখোয়গীদমক লৌখৎকদবা চেকশিন থৌরাংশিংগী মতাংদা খন্ন-নৈনখি। লোয়ননা মনা-মশিং চাবগী কান্নবশিংগী মতাংদসু খন্ন-নৈনখি।

## মরী লৈনদে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৬ : মণিপুর পুলিস কম্যান্দোনা হৌখিবা সেপ্টেম্বর ২৪দা পাঙ্গৈ বজারদগী ফারে হায়রিবা পুংদোংবম মখা লৈকাইদগী ৱাংখৈময়ুম সঞ্জয় (৪৬) অপোকপা দল্লিয়ু ইবোবী অমদি অন্দ্রো লৈতানপোকপীদগী চীংখাম সুভাস (২৬) অপোকপা সী ঐচ সনাতোম্বা হায়রিবা মীওই অনী অসি এন আর এফ এমগা করিগুম্বা হীরম অমত্তদা মরী লৈনদে অমসুং (কে সী পি) এন আর এফ এম হায়বা লূপ লৈতে হায়না নেসনল রেভল্যুসনরি ফ্রন্ট মণিপুর (এন আর এফ এম)গী ইনফোর্মেসন এন্দ পব্লিসিটি সেক্রেটরি সনাজাওবা মৈতৈনা থাদোরকপা চেরোল অমনা শেংদোরক্লি। লোয়ননা মীয়ামদা চমম্নবা থোক্তনবা খঙহঞ্জরি মদুদি এন আর এফ এমগী থবক থৌরম পাঙথোকপদা মীয়ামদা পার্টি অসিনা (কে সী পি) এন আর এফ এম হায়বা লৈতে হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

## এন সী বি, এন আই এগী ওফিস শানবা...

*লামায় ১গী মখা...* আর্মি অমদি পেরা মিলিটরি ফোর্সশিংদগী ষ্টেটতা কাবা এক্সসাইজ দ্যুটিগী শেনফমসি হান্নগী চাংদগী শরুক অনী হেনগৎনবা কেবিনেটনা ৱারেপ লৌরে। এক্সসাইজ দ্যুটিদা হান্নদি চহী ১ দা লুপা ক্রোর ৯ গী চাংদা লাক্লম্বদু নৌনা এক্সসাইজ দ্যুটি হেনগৎনবগী থবক পায়খৎলক্লবা মতুংদদি লুপা ক্রোর ২৩ রোম লাক্লবা য়াই হায়না পারি।

এম দি এসকী সী ঈগী সর্ভিস থা ৬ এক্সটেন্সন তৌনবা কেবিনেটনা লেপ্লখ্রে। ঙসিগী মীফম অদুদা তোঙান তোঙানবা এজেন্দাশিং খন্ন-নৈনখি। মখা তানা খন্নবগী তঙাইফদবা লৈবশিং দিফর তৌখি হায়রি।

## নাবকী এদিসনেল...

*লামায় ১গী মখা...* ময়াই লৈরবা দ্রগ লল্লোনবা কয়াবু ফাগৎখিবনি। এৱার্দ অসি পীরকখিবগীদমক থৌনাওজম বৃন্দানা শীল্লি লাংলিবশিংবু থাগৎখিবগা লোয়ননা এৱার্দ অসিগী ক্রেদিট মণিপুর লৈঙাক মরুওইনা চীফ মিনিষ্টর, হোম দিপার্টমেন্ট অমদি সিভিল সোসাইটিশিংদা পীরক্লি।

GAS NEWS
MISAO GAS SERVICE
19 Kg Stk Available
Timing: 08.00am to 10.00am

# কাউন্সেল অমনা বেবিসনাগী মায়কৈদা লেপচগে হায়রকপদগী লন্ধোনি অমসুং রোমিতাগী বেল হিয়রিং য়ৈথোকখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৬ (ঐচএনএস): হৌখিবা জুলাই ১৮ গী অয়ুক অঙনবদা ষ্টেন্দর্দ রোবার্থ হায়র সেকেন্দরি স্কুলগী মহৈরোয় নিংথৌজম বেবিসনা চনু (১২), অপোকপা এন তোমচৌ, থাংমৈবন্দ মৈস্নাম লৈকায়না স্কুল অসিগী রেসিদেন্সিএল ব্লোক-বি (গালর্স হোষ্টেল) দা থৌরী য়ান্দুনা শিরম্বনি হায়বগী মতাংদা শিংজমৈ পুলিস ষ্টেসন্না লৌখৎপা কেস অমগা মরী লৈননা হৌজিক ফাওবদা জুদিসল কষ্টদিদা থম্লক্লিবা স্কুল অসিগী ফাউন্দর অমসুং প্রিন্সিপাল লন্ধোনি অমসুং মচানুপী রোমিতাগী বেল হিয়রিংদা কাউন্সেল অমনা মহাকসু লৈখিদ্রবী বেবিসনাগী মায়কৈদা লেপচগে হায়রকপদগী বেল হিয়রিং পাঙথোক্তনা য়ৈথোকখ্রে।

স্কুল অসিগী ফাউন্দর অমসুং প্রিন্সিপাল ফৈরোইজম ওংবী লোংজম নিংঙোল লন্ধোনি (৬৪), মপুরোইবা পিঐচ ইবোহল, কাঞ্চিপুর অমসুং মচানুপী ফৈরোইজম নিংঙোল করাম ওংবী রোমিতা (৩৯), মপুরোইবা কে রাজা, ক্বাকৈথেল থিয়াম লৈকায়গী মায়কৈদগী হায় কোর্ট ওফ মণিপুরদা মখোয় অনীবু বেল পীবীনবা এপ্লিকেসনশিং ফাইল তৌরকখিবনি। বেল এপ্লিকেসনশিং অদু নম্বর- ২৮ ওফ ২০১৯ অমসুং ২৯ ওফ ২০১৯ নি।

মখোয় অনীগী বেল এপ্লিকেসন অনীমক ঙসি জষ্টিস এম ভি মুরালিদরনগী বেঞ্চকী কোজ লিষ্টকী আইটেম নম্বর ১২ অমসুং ১৩ দা লিষ্ট তৌদুনা লৌখৎখি। কোর্টনা মখোয় অনীগী বেল এপ্লিকেসন অনী অসিগী মতাংদা হিয়রিং চথনবা থবক লৌখৎপা হৌরকপদা কাউন্সেল অমনা মহাকসু হিয়রিং অসিদা লৈখিদ্রবী বেবিসনাগী মায়কৈদগী মহাক্কী মহুৎ শিন্দুনা শরুক য়াজগে হায়না কোর্টকী অয়াবা পীবীনবা হায়জরকখি।

কাউন্সেল অসিগী ৱাফম অসিদা বেল এপ্লিকান্ট অনীগী মায়কৈদা লেপ্লিবা সিনিয়র কাউন্সেলনা হিয়রিং অসিদা রেস্পোন্দেন্টশিংগী মায়কৈদা য়াওবা তারবদি কোর্ট অসিদা প্রোপর এপ্লিকেসন অমা সবমিট তৌরকফম থোকই। মতম অদুদা কোর্টনা অয়াবা পীরবা মতমদা শরুক য়াগদবনি হায়বগী ৱাফম ফোঙদোকখি।

কোর্টনা নাকল অনীগী ৱাফমশিং তারবা মতুংদা বেল হিয়রিং অসি হয়েং বেঞ্চ অসিমক্তদা লিষ্ট তৌদুনা লৌখৎনবা দিরেক্সন পীখি। কোর্টকী দিরেক্সন মতুংইন্না হয়েং বেঞ্চ অসিগী সপ্লিমেন্টরি কোজ লিষ্টতা বেল এপ্লিকেসন অনীমক লিষ্ট তৌখ্রে। হিয়রিং অসিদা শরুক য়াজগে হায়জরকখিবা কাউন্সেল অদুনা কোর্ট অসিদা মহাক্কী ৱাকলটনমাসু ফাইল তৌরকখিবনি।

পনবা য়াবদি, শিংজমৈ পুলিস ষ্টেসন্না লৌখৎখিবা কেস এফ আই আর নম্বর ১৩৮(৭)২০১৯ অন্দর সেক্সন ৩০৫/৩৪/৪২০/৩০২ অমসুং ৭৫ জে জে (ক্যের এন্দ প্রোটেক্সন ওফ চিলদ্রেন) এক্ট অসিদগী লন্ধোনি অমসুং রোমিতানা এন্টিসিপেটরি বেল পীবীনবা সেসন্স জজ, ইম্ফাল ৱেষ্টকী কোর্টতা হায়জরকখিবদা কোর্ট অসিনা রিজেক্ট তৌখিবনি। মসিগী মতুংদা মখোয় অনী মমাঙ থাগী ৩ গী নুংথিলদা পুলিসনা ফারগা নুমীৎ হুম্নী মখোয়গী কষ্টদিদা লৈরুরবা মতুংদা ঙসি ফাওবা জুদিসল কষ্টদিদা থম্লক্লিবনি।

## লুচিংপুরেল হিজম ইরাবত্তা ইকায়খুম্নবা ওইনা ভলন্টরি ব্লদ দোনেসন কেম্প পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৬ (ঐচএনএস): ওল ইন্দিয়া য়ুঠ ফেদরেসন, মণিপুর ষ্টেট কাউন্সিল না শিন্দুনা লুচিংপুরেল হিজম ইরাবত কী ১২৩ শুবা মপোক কুমওনগা মরী লৈননা জেনিমস, পোরোমপাৎতা ভলন্টরি ব্লদ দোনেসন কেম্প পাঙথোকখ্রে।

ভলন্টরি ব্লদ দোনেসন কেম্প ইরাবতকী মপোক কুমওনগী থাবুম অমা চুপ্না চথরকপা থৌরম পরেংগী মনুং চন্না জননেতানা লৈখিদবা নুমিৎ সেপ্টেম্বরগী তাং ২৬ তা ৭লকশুবা ওইনা পাঙথোকখি। ওল ইন্দিয়া য়ুঠ ফেদরেসন, মণিপুর ষ্টেট কাউন্সিলগী প্রেসিদেন্ট মোইরাংথেম সোমোরজিৎ না হায়, লৈখিদ্রবা লমদম অসিগী লুচিংপুরেল হিজম ইরাবততা ইকায়খুম্নবা উৎপা ওইনা মহাক্কী মীতমদা লৈ কৎপা অমদি মার্চপাষ্ট চত্তুনা সেল্যুট পীবা খক নত্তনা ঈনা খুদোল ওইনা ঈগী মথৌ তাবা মীওইশিংদা পীনবগী পান্দমদা ব্লদ দোনেসন কেম্প অসি পাঙথোকপনি হায়খি।

মহাক্না মখা তারদুনা হায়, হিজম ইরাবতনা পামজরম্বা ৱাখল্লোন শোথরবা খুনাই অসিগী মীয়ামদা মতেং পাংনিংবগী ৱাখল অদু লৌজ দুনা ঈগী মথৌ তঙাইফদনা লৈরবা মীওইশিংদা মতেং পান্দুনা লুচিংপুরেল মহাক্কী মফমদা কৎচবনি হায়না ওল ইন্দিয়া য়ুঠ ফেদরেসন, মণিপুর ষ্টেট কাউন্সিলনা লৌজে হায়না ফোঙদোকখি। লোয়ননা ভলন্টরি ব্লদ দোনেসন কেম্প অদুদা ব্লদ দোনেট তৌবা লাকখিবা দোনরশিং অদুদা এৱ্যানের্স পীবগী থৌরম অমসু পাঙথোক্তুনা মীয়ামদা ৱাখল তাহনখি। জেনিমস পোরোমপাৎতা পাঙথোকখিবা ভলন্টরি ব্লদ দোনেসন কেম্প অদুদা চাউরাক্লা মীওই ৬০ মুক্না ব্লদ দোনেট তৌখি।

### সেমিনার পাঙথোক্কদৌরি

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৬: নহারোল সাহিত্য প্রেমী সমিটি ইম্ফাল লিংখৎখিবগী ৬০ শুবা থৌরমগা মরী লৈননা সমিটিগী প্রিসিদেন্ট ওইরম্বা এক্স-এম পি প্রোফেসর নিংথৌখোংজম তোম্বীগী পুন্সি অমসুং থবক হায়বা হিরমদা নোংমগী ওইবা সেমিনার অমা পাঙথোক্লগনি হায়না সমিটি অসিগী জেনরেল সেক্রেটরি এ সী নেত্রজিৎনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি। থৌরম অসি থা অসিগী ২৮ দা জে এন দান্স একাদেমী ইম্ফালদা পাঙথোক্কনি। থৌরমসিদা বি এস রাজকুমারনা সাহিত্যগী লমদা প্রোফেসর তোম্বী, ডা. মাখোনমনি মোংশাবনা কলা অমসুং সংস্কৃতিগী লমদা প্রোফেসর এন তোম্বী হায়বা হিরমদা চে পাথোক্কনি।

## ফাদোকশিং থাদোকপগী ওর্দর রেকোর্দ তৌনবা হায় কোর্টনা খঙহনখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৬ (ঐচএনএস): ঙসি হায় কোর্ট ওফ মণিপুরগী রেজিষ্ট্রার (জুদিসল) দল্লিয়ু তোনেন মৈতৈনা থোকখিবা নোটিফিকেসন (নম্বর ঐচ সী এম/ মিসেলিনস/৮৯-ইষ্টাব্লিসমেন্ট (৫) গী মতুংইন্না হায় কোর্ট ওফ মণিপুরগী জুরিদিক্সন মনুংদা লৈবা ক্রিমিনেল কোর্টশিংনা প্রিজনরশিংগী রিলিজ ওর্দর পীবা মতমদা তোঙানবা রেকোর্দ বুক অমা মেন্টেন তৌনবা খঙহনখ্রে।

রেকোর্দ বুক অসিদা রিলিজ ওর্দর পীরবা প্রিজনরশিং অদুগী পার্টিক্যুলরশিং রেকোর্দ তৌদুনা থম্বগী মথক্তা রিলিজ ওর্দর অদুবু খুৎশিন্নখিবা ওফিসল অদুগী খুৎয়েকসু লৌনবা খঙহনখি। নোটিফিকেসন অসিগী মতুংইন্না ক্রিমিনেল কোর্টশিংনা বার কাউন্সীল ওফ ইন্দিয়াগী রুলশিংগী মনুংদা য়াওরিবা ষ্টেন্দর্দ ওফ প্রোফেসনল কন্দক্ট এন্দ ইটিকেটকী রুল নম্বর ১০ গী পার্ট ফোর, চেপ্টর টুগী সেক্সন ৱানদা পীরিবা এদভোকেটশিংনা প্রিজনর অমা রিলিজ তৌবদা স্যুরিটি ওইবা য়াদবগী ৱাফম অদুসু ঙাক্লা চৎনবা খঙহনখি।

### গুরু কুল্লা মেমোরিয়ল এৱার্দ ...

*লামায় ১গী মখা...* থৌরম ঙসি খুরাই লল্লোং কৈথেলদা লৈবা সঙ্গীত কলা সঙ্গম হোলদা পাঙথোকপগা লোয়ননা এৱার্দশিং লান্থোকখিবনি। এৱার্দ অসিদা শেল ওইনা লুপা লিশিং ৫ অমসুং লেংয়ান ফি য়াওরি।

থৌরম অদুদা চীফ গেষ্ট ওইখিবা এম পি, কে এস ঐচ ভবানন্দনা হায়খি, সিবিলাইজেসন শাগৎপা অমদি চাউখৎপদা কলচরনা মশক তাকই। পীকপ্রবা মণিপুরদা অহল-লমনশিংনা কখোল্লম্বা অদুনা কলচর মশক তাক্লিবনি। পোকপদগী শিবা ফাওবা কলচর তৌরি। ঐখোয়গী লুদা তোংদা পোকপদগী য়াওজরক্লবা অমনি। মসি মাঙবা য়ারোই। কলচরেল পোলিসী লৈফম থোকই। কলচর য়োকখৎপা হায়বসি লৈঙাকপায়রিবশিংগীসু থৌদাং লৈরিবনি। অহলশিংনসু পাউতাক পীবীয়ু। এম পি ফন্দদগী পাংবা য়াবসু পাংজগে হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

গেষ্ট ওফ ওনর ওইখিবা খুরাই এ সী এম এল এ, এল সুসিন্দ্রোনা হায়খি, খুরাই এ সীদা আর্টিষ্ট য়াম্না লৈরি। গুরু কুল্লা একাদেমীনসু আর্টিষ্ট কয়া পুথোক্লি। আর্ট এন্দ কলচরগী লমদা চাউখৎহনবা তঙাইফদে। বজেটতা হাপ্পীনবসু তক্লগনি। লোকল এরিয়া দিভলপমেন্ট ফন্দদগী অঙম্বা মতেং পাংজগে। দিভলপমেন্ট তৌবদা পোলিসী চঙই। ঙমগদবশিং অদু হাপ্পুনা দিভলপমেন্ট তৌসি। আর্টিষ্টশিংগী পেন্দবা কয়া লৈরিবা অদু লৈতনবা হোৎনবা তাই হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা সঙ্গীত নাটক একাদেমী এৱার্দী অখাম লক্ষ্মী, টি ঐচ অশংবী, রাইটর ওফ দি ইয়ার ২০১৯ কে এস ঐচ নিমাইচরন, উষ্টাদ বিশমিলাখান এৱার্দ ফংখ্রবা মঞ্জু এলাংবমদসু ঈকায় খুম্নবা উৎখি। থৌরম অদুদা গুরু কুল্লা কলচরেল একাদেমীগী প্রিসিদেন্ট কে ঐচ নিমাইচরননা প্রিসিদেন্ট ওইখি।

### বোইংনা প্লেন কায়বগী থৌদোক ২দা...

*লামায় ১গী মখা...* য়েংশিল্লিবা ফন্দ অসিনা লৈখিদ্রবা মীওইশিংগী ইমুং-মনুংনা পুখৎলকপা ৱাকৎ তাবা হৌরগনি। ইথিওপিয়া অমসুং ইন্দোনেসিয়াদা বোইং কম্পেনিগী ৭৩৭ মেক্স অনী কায়বগী থৌদোক থোকখ্রবা মতুংদা মার্চ থাদগী ফ্লাইট সর্ভিস লেপ্পুনা লৈরকখিবনি। প্লেন কায়বগী থৌদোক অনীদা লৈখিদ্রবা মীওইশিংগী ইমুং-মনুংনা লাক্লিবা দিসেম্বর ৩১গী মমাংদা ক্লেম তৌরকপা মথৌ তাই হায়না ফাইনান্সিয়ল এসিষ্টেন্স ফন্দনা ফোঙদোকখি।

কেন ফিনবর্গনা রোইটর্সতা ঈ-মেইলগী খুত্থাংদা ফোঙদোরকপা ৱারোল অমনা হায়খি মদুদি, প্লেন কায়বগী থৌদোক অনীদা লৈখিদ্রবা মীওই পুম্নমক্কী ইমুং-মনুং মশক খঙদোক্লগা শেল পীনবা হোৎনবদা খুদোংচাদবা খরা শোয়দনা মায়োক্লগনি। মরাইবক থীখ্রবা প্লেন অনীদা তোংখিবা মীওইশিং মালেমগী তোঙান-তোঙানবা লৈবাক ৩৫ রোমদগী ওইরম্বা য়াই।

ষ্টেটমেন্ট অমদা বোইংগী চীফ এগজিক্যুটিভ ওফিসর দেনিস মুলিনবর্গনা হায়খি মদুদি, প্লেন অনী কায়বগী থৌদোক্তা লৈখিদ্রবা মীওইশিংগী মফমদা থম্মোয় শেংনা অৱাবা ফোঙদোক্লি। অৱাবা তারবা ইমুংশিংদা অঙম্বা মতেং খরদং ওইরবসু পাংনবগী পান্দমদা ফাইনান্সিয়ল এসিষ্টেন্স ফন্দ অসি শেমগৎখিবনি। হৌখিবা জুলাই থাদা বোইংনা অৱাবা তারবা মীওইশিংগী ইকনমিক ইম্পাৱরমেন্ট অমদি এদ্যুকেসনদা মতেং পাংনবগীদমক অহেনবা শেনফম ওইনা দোল্লর মিলিয়ন ৫০ চাদিং তৌরগনি হায়না লাউথোকখ্রবনি।

মরাইবক থীখ্রবা ইথিওপিয়ন এয়রলাইন্স অনী কায়বদা লৈখিদ্রবা মীওইশিংগী ইমুং-মনুংনা বোইংগী মথক্তা তোঙান-তোঙানবা কেস ১০০ রোম ফাইল তৌরকপা লৈখ্রে। কনাগুম্বা ইমুং খরনদি দোল্লর বিলিয়ন অমগী শেনফম পীহন্নবা কেস ফাইল তৌরকপা য়াওখি।

বোইংনা তোঙান-তোঙানবা লৈবাক ৩৫ রোমদগী লাকপা ৱাকৎশিং অসিগী অরোইবা ৱারোইশিন পুরক্লবা মতুংদা অমুক হন্না ফ্লাইট সর্ভিস হৌনবা পান্দম থল্লি।

হীরম অসিগী মতাংদা য়ুনাইটেদ ষ্টেট্সকী ফেদরেল এভিএসন এদমিনিষ্ট্রেসনগী লুচিংবা ষ্টিভ দিক্সননা রোইটর্সতা হায়খি মদুদি, বোইংনা অমুক হন্না ফ্লাইট সর্ভিস তৌবগী সর্টিফিকেট ফংবা হায়বদু তম্বা ঙমদবা ফীভম অমদা লৈরি। অদুমওইনমক টেষ্ট ফ্লাইট পাঙথোক্লবা মতুং থা ১গী মনুংদা ফেদরেল এভিএসন এদমিনিষ্ট্রেসনা ফ্লাইট সর্ভিস তৌনবগী অয়াবা পীবা য়াই হায়রি।

## স্বাছতা হি সেভাগী থৌরম পাঙথোকখ্রে

ককচিং, সেপ্টেম্বর ২৬(ঐচ এন এস): ককচিং ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলনা শিন্দুনা স্বাছতা হি সেভা প্রোগ্রামগী মনুং চন্না 'স্বাছতা হি সেভা' অমসুং ১০০% কভরেজ ওফ দোর টু দোর কলেক্সন এন্দ সোর্স সেগ্রিগেসন ওফ সোলিদ ৱেষ্টকী মতাংদা ৱাখল তামিন্নবগী প্রোগ্রাম অমা ঙসি লাইব্রেরি এন্দ ইনফোর্মেসন সেন্টর ককচিংদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা মণিপুর লৈঙাক্কী মহুদকী কম্মিস্নার এম জোই আই এ এসনা অথোইবা মীথুং, ককচিং ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলগী চ্যেরপর্সন এন সঞ্জিৎকুমারনা থৌরম মপু, মণিপুর লৈঙাক্কী মহুদকী দিরেক্তর টিঐচ হরিকুমার এম এম এ এস, এস পি ককচিং ভিক্তোরিয়া য়েংখোম এম পি এস অমদি মণিপুর লৈঙাক্কী এদিস্নেল চিফ এঞ্জিনিয়র এল শ্বামীকান্তানা অখন্নবা মীথুংশিং ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরম অদুদা অখন্নবা মীথুংলেনসু ওইখিবা মণিপুর লৈঙাক্কী পি ঐচ ই দিগী এদিস্নেল চিফ এঞ্জিনিয়র এল শ্বামিকান্তানা রিসোর্স পার্সন ওইনা সোলিদ ৱেষ্ট মেনেজমেন্টকী মতাংদা ৱা ঙাংদুনা মীয়ামদা ৱাখল তাহনখি।

থৌরম অদুদা ম্যুনিসিপাল সোলিদ ৱেষ্টকী মখাদা য়ুমথোং খুদিংদা পীগদবা অকংবা ফৎতা-হাওদি অমদি অচোৎপা ফৎতা-হাওদি হাপ্পবা দষ্টবিন অনী মীয়ামদা ঙসিদগী য়েন্থোকপা হৌখ্রে। লোয়ননা দে নুলমগী মখাদা লৈবা সেল্ফ হেল্প গ্রুপ ৩০দা রিভোলভিং ফন্দসু য়েন্থোকখি।

অথোইবা মীথুংগী ৱারোলদা এম জোইনা হায়, ইন্দিয়া গভর্নমেন্টনা লৌখৎলক্লিবা প্লাষ্টিক থিংবগী খোঙথাং অসি মাই পাক্লবা ঐখোয় খুদিংমক্না থৌদাং লৌমিন্নসি। তারু-তনানবা ইমুং অমা, লমদম অমা, লৈবাক অমা ওইহনবদা নুপীখক্তা নত্তনা নুপাশিংগীসু থৌদাং লৈ হায়বসি খংমিন্নসি হায়না ফোঙদোকখি।

ঙসিগী থৌরম অদু লোইশিল্লকপদা স্বাছতা হি সেভাগী লু-হেনবগী ৱাখলসু মহুদকী কম্মিস্নার এম জোই আই এ এসনা লুচিংদুনা লাওমিন্নখি।

### চহীসিগী সঙাই ফেষ্টিবেলদা ষ্টোল...

*লামায় ১গী মখা...* ষ্টোলশিংগী ওইনদি টুরিজম দিপার্টমেন্টনা ষ্টোল এলোটমেন্টকী ফাইনেলাইজ তৌরবা মতুং নুমীৎ ৩০নিগী মনুংদা টুরিজম দিপার্টমেন্টতা মাংজৌননা পেইদ তৌখিবা ষ্টোল ফীশিং অদু হন্দোক্কনি। হায়রিবা ষ্টোলশিং অসিগী মথক্তা লৈঙাক্কী তোঙান-তোঙানবা দিপার্টমেন্টশিং অমদি স্পোন্সরশিপশিংগী ষ্টোলশিংসু মথৌ তারকপগী মতুংইন্না হাংগনি।

ফোরেন পার্টিসিপেন্টশিংগী ওইনা ষ্টোল ৮০ অমসুং লৈবাক অসিগী অতোপ্পা ষ্টেটশিংগী ওইনা ষ্টোল ৬০ লৈগনি। হায়রিবা ষ্টোলশিং অসি লম্বোইখোংনাংখোঙদা হাংগদবনি। দিফরেন্টলি এবল্ড পর্সনশিংগী ওইনসু অপূনবা ষ্টোল অসিগী চাদা ৩ রিজর্ভ তৌদুনা খাক্লি। অদুগা চীংগী দিষ্ট্রিক্টশিংগী ওইনসু চাদা ৩০ খাক্লি। ষ্টোল হাংনিংবশিংনা www. sangaistall.in দা ওনলাইন এপ্লিকেসন থাজিনগদবনি। ওনলাইন এপ্লিকেসন থাজিল্লকপা মতমদা মথৌ তাবা দোক্যুমেন্টশিং হায়বদি ষ্টোল অদুগী মপূ অমসুং হেল্পরগী স্কেন তৌরবা পাসপোর্ট সাইজ ফোটোগ্রাফশিং অমদি বেঙ্ক রসীট অদু স্কেন তৌদুনা অপলোদ তৌগদবনি। মণিপুর সঙাই ফেষ্টিবেল ২০১৯গী বেঙ্ক একাউন্ট দিটেলশিংদি মণিপুর সঙাই ফেষ্টিবেল ২০১৯নি। অদুগা বেঙ্কনা মণিপুর ষ্টেট কোওপরেটিভ বেঙ্কনি। বেঙ্ক একাউন্ট নম্বরনা ৭০৬০০৬৯১৯৮১ অমসুং আই এফ এস সী কোদনা YESBOMSCB01 নি। ওনলাইন এপ্লিকেসন থাজিনবগী মতম সেপ্টেম্বর ২৭তগী হৌরগা ওক্টোবর ১১গী অহিং নোংয়াই ফাওবা ওইগনি। এলোকেসন পীবগী অকুপ্পা গাইদললাইনশিংসু ৱেবসাইট অসিদগী খঙবা য়াগনি। দিরেক্টোরেট ওফ ট্রেদ কম্মর্স এন্দ ইন্দষ্ট্রিজ লম্ফেলপাৎকী রূম নম্বর-৯দা ওনলাইন এপ্লিকেসন থাগৎপগী খুদোংচাবা ফংহন্নবগীদমক কাউন্টর অমসু হাংলি। ওফিস অৱরগী মতমদা লাক্লগা খুদোংচাবা অসি লৌবা য়াগনি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তানা খঙহল্লক্লি।

ꯁꯥꯗꯦꯟ ꯁꯩꯉꯣꯜ ... (Meitei Mayek heading)
পন্থৌ শঙলেন লাইপুং হলাও থৌনি ইলাৎকী পাউজেল
কংলৈসিদা লৈরিবা নমু তাইবঙ পন্থৌ শকপা-পলেম শকপী ইচা নিংঙোল পিবা পুম্নমক্তা পাউজেঞ্জরি - "২৫শুবা, পন্থৌ শঙলেন লাইপুং হলাও- থৌনি ইলাৎ" থৌগল ফংমিন্নসি কংলৈ অমদি মীয়ামগী য়াইফনবা। মৈতৈ লাইনিং লাইশোলদা য়ূম্ফম ওইদুনা পাঙথোকপা হলাও থৌনি ইলাৎনি। মেরাগী নোংমা পানবা, নোংমাইজিং নুমিৎ, চৈচৎ ২৯-০৯-২০১৯দগী মেরাগী তরানি পানবা, লৈবাকপোকপা নুমিৎ, চৈচৎ ০৮-১০-২০১৯ ফাওবা নুমিৎ ১০ চুপ্না পাঙথোকপা পন্থৌ শঙলেন লাইপুং হলাও থৌনি ইলাৎনি।
মেরাগী নোংমা পানবা মঙাং পুংজা ১০.৩০ তাবদা লাইনিং-লাইশোলগা লোয়ননা সলাই ৭কী ফিরাল য়ুংখৎচগনি। নমু তাইবঙ পুম্নমক্তা পীনবিগনি, শেনকোক শেনয়াই শেন্নিং, শিদয়াই-নাদয়াই, পুন্সি চেংজেন্নচিংবা। নিমিন্নসি চরৈ ফিগাও শাদুনা নুংঙাই-য়াইফবা মেরা নোংমা পানবগী শেনকোক-শেনয়াই। মেরাগী ৮নি পানবগী মমাঙ পুংজা ১০ তাবদা ক্বাকলৈ-খোঙ্গুলমেল্লে, সনালৈ, হৈনিং, হৈক্রু, হৈতুপ কত্তুনা য়াইফ থৌজাল নিমিন্নসি, ইশা-ইশাগী অনীংবা অপাম্বা থুংনবা নিজহৌসি।
শিনপাংফমদি - নোংপোক চিংঙু থোঙ, মৈতৈ লোইকোল, থলো শিপি লোক, শেলোই লমাইচিং, ইম্ফাল নোংপোক্তনি।
থৌপু - নোংপোক চিংঙু থোঙ শেমগৎ-শাগৎপা অপূনবা লূপ থলো শিপি লোক, শেলোই লমাইচিং, ইম্ফাল নোংপোক।
HL-P/4344/27

# মোবাইলদা খঙনবা লৈশাবী অমগী ফোন লাকখিবা মীওই পুলিসনা ফারে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৬ (ঐচএনএস): মোবাইল ফোনদা খঙনবদগী নুংশিনরে হায়দুনা উনরগা চেন্নবা চৎমিন্নরবনি হায়দুনা পুরগা লৈশাবী অদুগী মমল য়াম্লবা মোবাইল ফোন লাক্লগা চেনখ্রবা মতুং লোৎতুনা লৈরকখিবা মীওই অমা পুলিসনা ফারগা কোর্টতা পুথোরকখ্রে।

ফারবা মীওই অদুগী মমিং এম দি তোম্বা এলিয়স হবিবুর রহান এলিয়স অমির হুসেন এলিয়স রিয়াজ খান (২৮) কৌই। ময়াং ইম্ফাল পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা ইরোং চেসাবা ময়াই লৈকায়দগী এম দি অজমাতুলাগী মচানুপানি হায়রি।

থৌদোক অসিগী মতাংদা লৈশাবী অদুনা থা অসিগী ২৪ গী নুংথিলদা সিটি পুলিস ষ্টেসনদা কমপ্লেন্ট অমা ফাইল তৌরবদগী পুলিস ষ্টেসন অসিনা কেস অমা রেজিষ্টর তৌদুনা লৌখৎখিবনি। কেস অদুগী এফ আই আর নম্বর ৬৬ (৮) ২০১৯ অন্দর সেক্সন ৩৮৪ আই পি সীনি। লৈশাবী অদুনা তৌরকখিবা রিপোর্টকী মতুংইন্না ফারবা মীওই অসিনা মহাক উখুলদগীনি হায়দুনা শক তাকখিবগা লোয়ননা চৎলিবা কুমজা অসিগী মার্চ থাদা মখোয় অনী মোবাইল ফোনগী খুত্থাংদা খঙনখিবনি হায়রি।

খঙনরবা মতুং থা অদুগী ২৩ গী অয়ুক পুং ১০ রোম তারকপদা লৈশাবী অসিগী লৈকায় ওইরিবা ৱাঙ্গোই এ সীগী মনুং চনবা পাউবীতেক মনিং লৈকায়গী মফম অমদা মখোয় অনী অহানবা ওইনা উনখি হায়রি। মসিগী মতুংদা মখোয় অনী য়ুম্বান পুন্সিদা খোঙদামিন্নরনি হায়দুনা য়ানবদগী চেল্লসি হায়দুনা ইম্ফালদা উনরগা থঙ্গাল বজারদা লৈবা হোটেল এভেন্যুগী মমাঙ থানা ওটোরিক্সো অমদা লাকমিন্নখি হায়রি। মফম অদু য়ৌরকপদা নুপা অদুগী মওং মতৌদা চিংনবা লৈরকপদগী মখোয় অনীগী মরক্তা অৱাই অখুম তৌদুনা খৎনরকপগী খুদোংচাবা লৌরগা নুপা অদুনা লৈশাবী অদুগী মোবাইল ফোন (ভিবো) অদু লাক্লগা নাম্থোক্তুনা চেনখিবনি হায়রি। ফারবা মীওই অসি ঙসি পুলিসনা চীফ জুদিসল মজিষ্ট্রেট (সী জে এম), ইম্ফাল ৱেষ্টকী কোর্টতা পুলিস কষ্টদি রিমান্দ প্রেয়র তৌরদুনা পুথোরকখিবনি। কোর্টনসু অয়াবা পীদুনা পুলিস কষ্টদিদা রিমান্দ তৌখি।

## পন্দিত দিন দয়াল উপধ্যায়গী মপোক কুমওন পাঙথোকখ্রে

ককচিং, সেপ্টেম্বর ২৬(ঐচ এন এস): লৈবাক অসিগী মফম কয়াদা পাক শন্না পাঙথোক্লবগুম নেসনল ফিগর অমা ওইখিবা লৈখিদ্রবা পন্দিত দিন দয়াল উপধ্যায়গী চহী ১০৩শুবা মপোক কুমওন থৌরম ঙরাং থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী য়াইরিপোক বামোন লৈকাইদা লৈবা রিজনল ইন্সটিট্যুট ওফ হেন্দিকেপ পার্সন, আর আই ঐচ পি য়াইরিপোকনসু শিন্দুনা ইন্সটিট্যুট অসিদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা পর্সনস ৱিথ দিসএবিলিটিজ মণিপুরগী ষ্টেট কম্মিস্নার ডা. আর কে কুমারজিৎ (এম দি)না অথোইবা মীথুং, আর আই পি ঐচ য়াইরিপোক্কী প্রেসিদেন্ট ডা. মাইবম রাজেন্দ্রনা থৌরম মপু অদুগা দিষ্ট্রিক্ট সোসল ৱেলফ্যের ওফিসর থৌবাল এ কামেশ্বরদা অখন্নবা মীথুংলেন ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরম অদুগী মীথুংলেনশিংনা লৈখিদ্রবা পন্দিত দিন দয়াল উপধ্যায়না পোক্লকপদগীনা মহাক্না হিংলিঙৈ মনুংদা তৌরম্বা,পায়খৎলম্বা, মহাক্কী পূন্সি ৱারি অমদি মহাক্কী ৱাখল্লোনশিং, মহাক্না তোল্ল-তারবা কনা লৈজদ্রবশিং, নাম্মা শোইরবশিং, লুখ্রা ওইহৌরবীশিংগী য়াইফ-থৌরাং কয়া পায়খৎনবা হোৎনরম্বা, লৈবাক অসিগীদমক লৌরম্বা থৌদাং কয়াশিং অদুবু শিংথাদুনা মীয়ামদা ৱাফম কয়া থমখি।

থৌরমগী শরুক অমা ওইনা ইন্সটিট্যুসন অদুগী মহৈরোয়শিংনা মখোয়-মখোয়গী হৈথোই-শিংথোইবশিং, শৈরেং, মিমিক্রি, দাইলোগ অমদি ঈশৈ-নোংমাইগী থৌরম কয়াসু মীয়ামদা উৎখি। অমরোমদা বি জে পি থৌবালনসু দিষ্ট্রিক্ট পার্টি ওফিসতা পন্দিত দিন দয়াল উপধ্যায়গী কুমওন পোঙথোকখ্রে। থৌরমগী মরুওইবা শরুক অমা ওইনা দিষ্ট্রিক্ট প্রেসিদেন্ট এল দেবেননা লুচিংদুনা পার্টিগী থৌমীশিংনা পান্দিত দিন দয়াল উপধ্যায়গী ফোটোদা লৈ কত্তুনা ইকাই খুম্নবা উৎখি। অমদি খোংজোম খেবা চীংদা লৈবা পাউনা ব্রজাবসিগী অকোইবা শেংদোকপগা লোয়ননা লৈ কত্তুনা ইকাই খুম্নখি।

দিষ্ট্রিক্ট পার্টি প্রেসিদেন্ট এল দেবেননা ফোঙদোকখিবদা, লুচিংবা পন্দিত দিন দয়াল উপধ্যায়বু ইকাই খুম্নবা ওইনা ইন্দিয়াগী মফম কয়াদা লৈরিবা লৈবাক নিংবা লুচিংবা কয়াগী মীতমশিংগী অকোইবা লু-নান্না থম্বা অমদি মখোয়বু ইকাই খুম্নবা হায়বা পার্টিগী পান্দমগী শরুক অমা ওইনা দিষ্ট্রিক্ট অসিদসু থৌরম অসি পাঙথোকপনি হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি।

## ইন্টিগ্রিটি, সোলিদরিটি দে পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৬ (ঐচএনএস): কুমজা ২০০০ গী সেপ্টেম্বর ২৮ দা চৎখিবা মণিপুরগী ঙমখৈ কায়বা য়ারোই, অপূনবগী শক্তম থুগায়বা য়ারোই হায়না চীংমী-তম্মী লাখ হেনবনা চৎখিবা সাউথ এসিয়াদা খ্বাইদগী মশিং য়াম্বা খোঙচৎ মীয়াম্না বোব খোঙচৎ হায়রগা খঙনখিবা খোঙচৎ অদুবু নীংশিংদুনা চহী খুদিংগী পাঙথোকপগুম হন্দকসু থা অসিগী ২৮ দা ১৯ রকশুবা মণিপুর ইন্টিগ্রিটি অমসুং সোলিদরিটি দে ২০১৯ গী থৌরম লময়ানবা শঙলেন্দদা পাঙথোক্লগনি হায়না জেইন্ট কম্মিটি অপূনবা মণিপুর কনবা ইমা লূপ (অমকিল) অমদি নেসনল আইদেন্টিটি প্রোটেক্সন কাউন্সীল (নিপকো)না প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, থৌরম অসিদা ইন্দিয়া গভর্ণমেন্ট অমদি এন এস সী এন-আই এমনা কুমজা ১৯৯৭ তা সিজ ফায়র এগ্রিমেন্ট খুৎয়েক পীনখ্রবা মতুং কাঙলুপ নাইবা পোলিসী চঙশিল্লকপা, নাগাশিংগী প্রোব্লেমদা মণিপুর য়াওরক্তুনা মণিপুর থুগায়নবা হোৎনরকপদগী সেপ্টেম্বর ২০০০ দা লৌখিবা মীয়ামগী ৱারেপ মণিপুরগী ঙমখৈ কায়বা য়ারোই, অপূনবগী শক্তম থুগায়বা য়ারোই, ইপা-ইপুনা ঈখেংতনা শেন্নম্বা ইরৈবাক ইরমদমগীদমক থৱায় থাদোক্কে হায়বা ৱারেপশিং অমুক্কা হেন্না চেংশিন্না লৌগনি। থৌরমসিদা মীয়াম্না শরুক য়াবীয়ু হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

### নেফিপ : সী এ বিগী মায়োক্তা নোর্থ...

*লামায় ১গী মখা...* গ্রাসরুট লেবেলদগী হৌনা মীয়ামদা ৱাখল তাহনবগী থবকসু পায়খৎকনি। অৱাং-নোংপোক ষ্টেটশিংদা লৈরিবা ষ্টেট লেজিসলেটিভ এসেমব্লিশিংনা হাউসতা রিজোল্যুসন লৌরগা য়ুনাইটেদ নেসন্স দিক্লারেসন ওন দি রাইটস ওফ ইন্দিজিনস পীপলস (য়ু এন দি আর আই পি)বু ইমপ্লিমেন্ট তৌনবা য়ুনিয়ন গভর্ণমেন্টতা তকশিনগদবনি। লোয়ননা অৱাং-নোংপোক ষ্টেটশিংগী য়েলহৌমীশিংবু মাঙহনবা য়াবা মওংদা চথরক্লিবা থৌওংশিং অসিগী মতাংদা য়ুনাইটেদ নেসন্স ওর্গনাইজেসননা খুৎ থিংজিনবীনবসু ৱাকৎলগনি হায়না মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

পনবা য়াবদি, তোঙান-তোঙানবা অৱাং-নোংপোক ষ্টেটশিংগী সিভিল সোসাইটি ওর্গনাইজেসনশিং পূল্লগা সিটিজনশিপ এমেন্দমেন্ট বিলগী মায়োক্তা লেপ্তুনা থেংনমিন্ননবা কুমজা ২০১৮গী এপ্রিল ৩দা নোর্থ ইষ্ট ফোরম ফোর ইন্দিজিনস পীপলস (নেফিপ) শেমখিবনি।

### হিজম ইরাবত লৈখিদবগী কুমওন...

*লামায় ১গী মখা...* মণিপুরদা কুমজা ১৯২২ দা মীতৈ চনু মেগাজিন ফোঙখি। পঞ্চায়ট মেম্বর ওইনা লৈবা মতমদা শেঞ্জা-থুমজাগী মায়োক্তা থৌদাং কয়াসু লৌখি। মণিপুরগী মনুং অমসুং মপান্দা খুন্দারিবা মীতৈশিংগী অপূনবা শক্তম শাগৎনবা হোৎনবদা অচৌবা থৌদাং লৌখি। মণিপুর হিন্দু মহাসভাদগী হিন্দু হায়বা ৱাহৈ লৌথোকখি। খোঙজং কয়া চঙশিন্দুনা মহাক্না মীয়ামগীদমক হোৎনরম্মী। স্কুল, অনা-লায়েংশঙনচিংবা কয়া লিংখৎনবা খোঙজংশিং চঙশিনখি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

অমরোমদা, লময়ানবা হিজম ইরাবত সেলেব্রেসন কম্মিটি, হিজম ইরাবত মেমোরিয়ল চেরিটেবল ট্রষ্টনা শীন্দুনা ৬৮ শুবা হিজম ইরাবত লৈখিদবগী নুমীৎকা লোয়ননা লাংবনগী হৈথা লৈথা কৎখ্রে। পিশুম ওইনাম লৈকায়দা লৈবা হিজম ইরাবতকী মীতমদা লাংবনগী হৈথা লৈথা পাঙথোকপা থৌরম অদুদা লময়ানবা হিজম ইরাবত সেলেব্রেসন কম্মিটিগী কনভিনর ওইনাম তোকিয়োনা হায়খি, চহী খুদিংগী কম্মিটিনা থৌরম অসি পাঙথোক্তুনা লাকপনি। হিজম ইরাবতনা লৈখিদবা নুমীৎ অসিদা লাংবনগী হৈথা লৈথা কৎচবা অমসুং চাক্লেন কৎচবা নুমীৎ ওইনা লৌজবনি। লৈখিদ্রবা হিজম ইরাবতকী মপোক নুমীৎ সেপ্টেম্বর ৩০ দসু থৌরম পাঙথোক্কনি। নুমীৎ অসিগী নুমীদাংদা পিশুমদগী কৈশামথোাং ফাওবদা মৈরাগী রেল্লি অমসু চৎকনি। লময়ানবা হিজম ইরাবকপু নীংশিংবা হায়বসি মায়কৈ অসোমদা লৈরিবা পিশুম মায়কৈগীদি ঙসি ফাওবদা থৌদাং লৌদুনা লাক্লি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

### সমুদ্রগী ঈমায় ৱাংখৎলকপা অমসুং...

*লামায় ১গী মখা...* ৭,০০০ লোম নৈনরগা থাদোরকখিবা আই পি সী সীগী রিপোর্টনা হায়খি, উন শৌদোকপগী চাং হেনগৎলকপা মরম্না সমুদ্রগী ঈমায় ৱাংখৎলকপগী চাংসু হান্না থাজনরমদবা চাংদগী কা হেনবা মওংদা হেনগৎলক্লে। গ্রীন হাউস গ্যাস থোকপগী চাং হস্তহনবগা লোয়ননা গ্লোবল ৱার্মিং সেলসিয়স দিগ্রী ২ য়ৌহন্দবা তারবসু চহী চা অসি লোইশিল্লকপদা মালেমগী মফম পূম্নমক্তা সেন্টিমিটর ৩০দগী ৬০ ফাওবগী চাংদা সমুদ্রগী ঈমায় ৱাংখৎলক্লগনি। করিগুম্বা মীওইবনা চেকশিন্দবা থৌওং চথবনা মরম ওইরগা গ্রীন হাউস গ্যাস কা হেন্না থোকহনবা তারবদি সমুদ্রগী ঈমায় সেন্টিমিটর ৬০দগীনা ১১০ ফাওবগী চাংদা ৱাংখৎলকপা য়াই হায়রি।

রিপোর্ট অসিনা হায়, ২০শুবা চহী চাদা মালেমগী ওইনা সমুদ্রগী ঈমায় সেন্টিমিটর ১৫গী চাংদা ৱাংখৎলকখি। হৌজিক্তি চহী খুদিংগী মিলিমিটর ৩.৬কী চাংদা সমুদ্রগী ঈমায় ৱাংখৎলক্তুনা খূদোংথীনিংঙাই ওইবা থাক য়ৌরক্লে।

আই পি সী সীগী রিপোর্ট শেম শাবদা য়াওখিবা অঞ্জল প্রকাশনা হায়খি, ক্রাইওস্ফেয়র হায়না খঙনবা থৌওং অসিনা মরম ওইরগা হিন্দু কুশ হিমালয়ন রিজনগী মীওই মিলিয়ন ২৪০ রোম খূদোংথীবা মায়োক্লহল্লগনি। মালেমদা শাবগী চাং হেনগৎলকপগী মতাংদা প্রকাশনা হায়খি, গ্লোবল ৱার্মিংনা মরম ওইরগা উন মহী লাঙথোরকপগী চাং চাদা ৩৬ তগী চাদা ৬৪দা হেনগৎলক্তুনা হিন্দু কুশ হিমালয়ন রিজনদা চাওনা খূদোংথীবা মায়োক্লহল্লকপা য়াই। পুম্নমক অসি ওইদুনসু মালেমগী মীয়াম্না মশা-মশাগী শোয়ফদ্রবা থৌদাংনি খন্না গ্রীন হাউস গ্যাস থোকপগী চাং হস্তহন্নবা থৌরাং লৌখৎলবদি খূদোংথীবা থোরকপা য়াবা ফীভমদগী খরমখৈ ঙাকথোকপা ঙমগনি হায়রি।




HL-B/5652/7sept-5nov